## ফার্মাসিশিং থোঙ লোনবদগী হিদাক...

*লামায় ১গী মখা...* ধর্ম্মসলা, বি টি রোদ, খোয়াথোং, লম্লোং কৈথেল, পোরোম্পাৎকী জেনিমসকী মমাঙ য়াওনা গ্রেটর ইম্ফালদা লৈবা ফার্মাসিশিংনি। পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা মণিপুর কেমিষ্ট এন্দ দ্রগগিষ্ট এসোসিএসন (এম সী দি এ)গী প্রসিদেন্টকী থৌ পুরন্বা নিংথৌজম ইবোচৌবনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপা ওইনা ঙসিগী ওইনা ফার্মাসি পুম্নমক থোঙ হাঙখিদবনি হায়রি।

## পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ পীরগা...

*লামায় ১গী মখা...* লৈঙাকশিংগী মায়োক্তা অরানবা চার্জশিং তৌরদুনা ভেক্সিনেসনগী থবক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পায়শিল্লগনি হায়রক্লিবা অসিসু মীয়াম্না য়াফম থোক্তে। ভেক্সিন পোলিসীদা মায়থীরবা লৈবাক অসিগী খোঙফম হৌজিক মপুং ফানা মায়োল চুল্লক্ত্রি। মসিগী মথক্তা দুৱেল প্রাইসিং পোলিসী অমদুম চত্থরক্লি। ভেক্সিন প্রদক্সনগী চাদা ২৫গী চাংদি হৌজিক ফাওবা সেক্তরশিংগীদমক রিজার্ভ তৌদুনা থম্লি। থৌওং অসি প্রাইভেট মেন্যুফেকচররশিংনা শেন্দোং য়াম্না ফংহন্নবগী অয়াবা পীথোকপা থৌওংনি হায়রদুনা প্রাইভেট সেক্তরগীদমক চাদা ২৫গী রিজার্ভেসন তৌরিবসি তোকথোক্তুনা লৈবাক অসিদা শাজবা অমসুং মপান্দগী পুশিল্লকপা ভেক্সিন পুম্নমক ষ্টেটশিংগা তান্নরগা য়েন্থোক্কদবনি হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 88.975781 |
| US Dollar | 72.982934 |
| British Pound | 103.426879 |
| Australian Dollar | 56.543007 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.428666 |
| Japanese Yen | 0.667120 |
| Malaysian Ringgit | 17.725706 |
| Singapore Dollar | 55.151359 |
| South Korean Won | 0.065523 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.462116 |
| Thai Baht | 2.342228 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47320.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47165.00 |
| Delhi | – | Rs | 47165.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47960.00 |

## GAS NEWS

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO 15/03/21**
Sl.No.01 to 80
Valid from 12/03/21
Time: 07am to 10 am
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

**KHORIPHABA LPG SERVICE NAMBOL**
**Bk.upto 07-05-21(sl.upti 42073)**
For enquiry:9612337528/ 9366471778/9402828164

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto 15/03/2021**
Valid from 12/03/21
**Stock 306 nos.**
Office contact numbers 8132036940/8414824977/8413936705
Call timing 8 am to 12 noon

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking Upto 14.2kg-09/06/2021**
Valid from-22/04/2021
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00am to 2:00pm

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 16-05-21
**B/upto - 18-05-21**
**Stock 306**
7am to 10am

**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
Call Timing: 8 AM To 12 PM
*URIPOK,THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
9774213728, 9862791279, 9366727636, 9089519886.
TIDDIM LINE - 9774213728*
TAKYEL AREA.
9089542175 LANGJING, PATSOI 8258856407
*KONTHOUJAM A/c
9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
OTHER 7085175483
Enquiry no. 9856134465.
**Booking upto 25/05/2021**
Valid from 30/04/2021

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 22/04/2021
**BOOKING UPTO:23/04/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677
(KINDLY UPDATE LATEST MOBILE NO)
TIMING: 8:00AM to 12:00 PM
(HOME DELIVERY ONLY)

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 21/04/21**
VALID FRROM 11/04/21
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI
7005210401 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**JRongmei SK Indane Wangoi,**
**Bking upto 17/4/21**
Valid from 8/4/21.
Stk 306
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)

# জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা মল্টি-সুপর মার্কেট কমপ্লেক্সতা শারিবা এস বি আই ব্রাঞ্চ ওফিস য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস): ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা মল্টি-সুপর মার্কেট কমপ্লেক্সতা শেমগৎ শাগৎলিবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই)গী ব্রাঞ্চ ওফিসতা মণিপুর ফূদ ইন্দষ্ট্রি কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন কে সরত কুমার সিংহ অমদি জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী ইগজেক্যুটিভ ওফিসর এম সুরজিৎ সিংহনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

মতম কয়াগী মমাঙদগী জিরিবাম প্রজানা খৌরাংনা ঙাইনরক্লবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ব্রাঞ্চ অসি জিরিবামদা ইকুই কুইদনা হাংদোল্লগনি। এস বি আইনা হাংদোল্লকপা মতমদা প্রজা পূম্নমক্না কান্নবা লৌমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা এম সুরজিৎ সিংহ ইগজেক্যুটিভ ওফিসর, জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলনা হায়, মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট মেনেজরনা হায়বীরকখিবা মতুং ইন্না পন্দুনা লৈরম্বা ৱর্ক অদু অথুবা মতমদা হৌদুনা ৱর্ক অসি অদুক্কী মতিক খুমাঙ চাওশিল্লে। ঐখোয়না ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা পীখিবা নুমিৎ ৪৫ অদুগী মনুংদা লোইবা ঙম্নবা হোৎনরি। অদুমকপু লৈরিবা কোভিদ লাইচৎকী ফিভম অসিনা পোৎ-চৈ পুথোক-পুশিন তৌবা অমদি লেবর লাকথোক লাকশিন তৌবদা খুদোংচাদবা খরদি মায়োক্লরি। নুমিৎ ৪৫গী মনুংদা য়ারিবমখৈ লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়না হায়খি।

মণিপুর ফূদ এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদী ভাইস চ্যেরমেন ওইরিবা কে শরত কুমারনা হায়, জিরিবাম প্রজাশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী খৌরাংনা ঙাইরক্লবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ব্রাঞ্চ অমা হাংনবগী অয়াবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ওথোরিটিশিংনা পীরকপগী মতুং ইন্না অথুবা মতমদা হাংনবগী থৌরাং ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লোইরে।

লোয়ননা সুপর মার্কেটকী সেকেন্দ ফ্লোরদা বেঙ্ক অসি হাংনবগী জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী ঈ ওগা লোয়ননা অয়ুক্তগী য়েংশিনবনি। ঈ ওনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না নুমিৎ ৪৫গী মনুংদা লোইগনি অমদি হৌজিক হৌজিক থবক অসি চাদা ৬০ লোইরে। ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ব্রাঞ্চ অসি হাংদোল্লকপদা জিরিবামগী প্রজা খূদিংমক্না, পূন্না কান্নবা লৌমিন্নসি হায়খি।

## ফিল্ম ক্রিটিক আর কে বিদুর...

*লামায় ১গী মখা...* ফাউন্দর প্রসিদেন্টসু ওইরম্মী। মহাকপু নীংশিংবগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নবা উৎলদুনা পেলেস গেটতা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটি কমপ্লেক্সকী মণিপুরী সিনেমা মেমোরিএলদা কেন্দল লাইট মেমোরিএল অমা সোসাইটি অসিনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, পেন্দমিক অসিগী মনুংদা মণিপুরী ফিল্মগী মীওই ৬কী পুন্সি মাঙহনখ্রবনি। মহাক লৈখিদবদা ক্রিটিক্স ফোরম মণিপুর, ইম্ফালগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. অথোকপম খোলচন্দ্র অমসুং ইপাক ফিল্মস প্রদক্সন, মণিপুরগী মায়কৈদগীসু থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

## মাঙবোইলাল হাৎপদা চেন্নবা...

*লামায় ১গী মখা...* তৌনা হাৎলি। লোয়ননা নুপীশিংগী মরক্তা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসনগী নামাদা ইমুং-মনুংগী মমাঙমক্তদা রেপ তৌবা, মোলেষ্ট-সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট পীবা, লালহৌবা য়াওবীনি হায়জিন্দুনা নুপীশিংবু মতম শাংনা ফাজিন্দুনা থল্লগা ওৎপী-নৈবীবা অমদি গেং রেপ তৌরগা খুৎ থোক্লবগী নামাদা হাৎতোকপীখিবা কয়ানি হায়রি। খুদম ওইনা টি ঐচ মনোরমাগী থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা থৌদোক অসিনচিংবা লৈরি। লৈবাক অসিগী লান্মীনা শরাক তমখিবদা থম্মোয় কায়খিবদগী মরোমদোম শিজখিবা চনু রোজ অমদি সঞ্জিতাগী ৱারী-শীংবুল ময়াম অমা লৈরি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুরদা আর্মিশিংনা অফস্পাগী মরুমদা অমদি মণিপুর পুলিসকী দি-ফেক্টো-ইম্প্যুনিটিগী মখাদা চত্থখিবা মীহাৎ-মীপুন অমদি মীওৎ-মীনৈগা মরী লৈননা হৌজিক সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা কেস ১৫২৮কী মনুংদা হান্না অখন্নবা কেস খরা চত্থরি অমদি কোর্ট অসিমক্না মরাল লৈবা সিক্যুরিটি পর্সনেল অমত্তা লেম্না থারোই অমসুং মতিক চাবা চৈরাক পীগনি হায়না ফাওবা লাউথোকপা লৈখ্রে হায়রি। মসিগা লোয়ননা আর্মি অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মতম চানা এক্সন লৌখৎতে হায়না মরাল শীরকপগা লোয়ননা সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) শেমদুনা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মথক্তা থিগৎতুনা কেস কয়া হিয়রিং চত্থরি। অসিগুম্লবা তাঞ্জা অসিদা য়াম্না রেস্পোন্সিবল লৈরিবা অসাম রাইফলসকী ওফিসর অমনা মী অমবু হেক্তা হাৎতোকপসি অচৌবা ক্রাইম অমা চত্থবা নত্তনা মীওইবগী খুন্নাইদা চত্থরকপা ক্রাইম অমনি হায়না লৌফম থোক্তবরা। মরমদি মী অমগী মরাল অসি আর্মি অমদি পুলিস পর্সনেলনা লেপকন্দবা নত্তে। কম্পিটেন্ট ওইবা কোর্ট অমনা ৱায়েল চত্থরগা লেপকন্দবনি হায়রি।

## রিমসকী ডোক্তরশিংনা ওক্সিজেন...

*লামায় ১গী মখা...* দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর ঐচ সুনন্দ, পেদিয়াট্রিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর সী ঐচ শ্যামসুন্দর, দিপার্টমেন্ট ওফ ওবথালমোলোজিগী প্রোফেসর ৱাই চিংশুইঙম্বা মৈতৈ অমসুং ডা. এল উশারানিনসু ওক্সিজেন সিলিন্দর অমমম দোনেট তৌখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তসু শরুক য়াখি।

## রেবতি ফোঙবদা মণিপুরিসু য়াওগদৌরি

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচ এন এস) : ফাদর ওফ দি মোর্দন ওরিয়া লিটরেচর হায়না খঙনরিবা ফকির মোহন সেনাপতিনা ইরম্বা ৱারীমচা রেবতিবু মালেমগী লোল ৩৬তা হন্দোক্তুনা ধবলি বুক্স, ওরিষানা থা অসিগী ১৪দা ফোঙলগনি। মনুদাশনা এদিটর ওইদুনা ফোঙদৌরিবা এন্থোলোজি অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লোন ২৭তা হন্দোকপা য়াওরি। মসিগী মনুংদা মণিপুরীগীসু তায়েঞ্জম বিজোয়কুমারনা হন্দোকপা মীতৈ ময়েকতা ৱারীমচা য়াওরি হায়রি।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লোল ১৪দা হন্দোক্তুনা লৈবাক অসিগী ট্রান্সলেটরশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসিদা জর্মন, জপানিজ, রসিয়ান, ফ্রেঞ্চ, স্পেনিস অমদি টর্কিজনচিংবা লোল য়াওরি। লোয়ননা মালেমগী মশক নাইরবা ক্রিটিকশিংনা লাইরিক অসিগী মরমদা ইবসু য়াওরি। ওরিয়া লোলদা অহানবা ওইনা ১৮৯৮তা ইখিবা শিংথানিংঙাই ওইরবা ৱারীমচা অসিগী অইবা ফকির মোহন সেনাপতিবু নীংশিংবা অমসুং ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা লাইরিক অসি পুথোকপনি। লোয়ননা অইবা অসিগী লৈখিদবগী ১০২ শুবা কুমওনগা মরি লৈননা লাইরিক অসি ফোঙগদবনি হায়রি।

## বোমগী এটেক অকনবা মওংদা...

*লামায় ১গী মখা...* ঙমদে হায়রি। ৱাফমশিং অসি এমসুগী প্রসিদেন্ট হাওবিজম চলাম্বা মৈতৈনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, এমসু হায়রিবা লূপ অসি মশাগী আইদেন্টিটি, মশাগী পুৱারী অমদি এমসুগী ওইবা মশাগী কনষ্টিট্যুসন লৈজদুনা এমসুগী চত্থগদবা থবক থৌরম খূদিংমক লূপ অসিগী কনষ্টিট্যুসন্না কোনশিল্লগা পাঙথোক্তুনা লাকপা ইন্দিপেন্দেন্ট বোদি অমখক্নি। মতম-মতমগী মতুংইন্না এমসু মনুংদা থোক্লকপা থৌদোক ৱাথোকশিং এমসুগী কনষ্টিট্যুসনগী মখাদা ৱায়েলদুনা লাক্লি। লোয়ননা কনাগুম্বা থর্দ পার্টি অমত্তগী থৌইনশিন্দা হেক্তমক চৎকদবা লূপ অদু এমসু নত্তে হায়রি।

এমসুগুম্লবা ইরৈবাক ইরমদমগীদমক্তনিবু হায়রবদি থৱায় থারবসু থাগনি হায়দুনা থৌমীশিংনা চোংথোক্তুনা হোৎনরিবা লূপ অমদা অসিগুম্বা থৌওং চত্থরকপা অমদি এমসুনা চহী লিশাং শিংনা হোৎনদুনা লাক্লিবা অসি খঙদবা হায়বসি মণিপুরগী পুৱারী মশক খঙদবগী থৌওংনি। অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক থোকহনবীদনবা অমদি লৈঙাক অসিনসু অসিগুম্বা এন্টি সোসল ওইবা মীওইশিং অসি অথুবা মতমদা ফাদুনা খুন্নাই মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন অদু লৌখৎপীয়ু। লোয়ননা মণিপুর মীয়ামগীদমক্তা এমসুনা মতম চুপ্পদা চোকথবা নাইদনা কখোক্তুনা হোৎনখিগনি। মীয়াম্নসু এমসুগী অচুম্বা খোঙথাং খূদিংমক্তসু সপোর্ট তৌবীনসু লৈবাক মীয়ামগী মফমদা পাউজেঞ্জরি হায়নসু প্রসিদেন্ট ঐচ চলাম্বা মৈতৈনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাউমীশিংগা উনখিবা মীফম অদুদা মহৈরোয় লূপ অসিগী এগজিক্যুটিভশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, অতোপ্পা মহৈরোয়শিংগী লূপশিং ওইরিবা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ), দেম্মোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম), অপূনবা ইমাগী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস), ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) অমসুং কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী প্রসিদেন্টশিংনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থোরকখিবা চেরোল অমদা ঙরাংগী থৌদোক অদু মহৈরোয় খুন্নাইদা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়না লৌফম থোকই। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীদনবা আপীল তৌরক্লি। লোয়ননা মহৈরোয়শিংদা অকি-অখঙ নংহনবা হায়বসি লৈবাক অমগী মাঙজবনি। লৈবাক মীয়ামগী অমদি মহৈরোয় খুন্নাইগী মহৈরোয়শিংনা ঙসি ফাওবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ইরোলগী, ইনাৎকী অমদি লৈবাক্কী ওইবা তোঙান-তোঙানবা ঈহৌশিংদা মহৈরোয় খুন্নাইনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্লগা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা মহৈরোয়শিংনা থবক তৌদুনা লাক্লি। মতুংদা মহৈরোয়শিংদা অসিগুম্বা থৌদোক অমুক হন্না তৌবীগনু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো)গী চ্যেরমেন সামুয়েল বি জাইরৱা অমসুং সেক্রেটরি সিনাম প্রকাশ পুন্না থোরকখিবা চেরোল অমনসু থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরকপগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী...

*লামায় ১গী মখা...*ওনরশিং অমসুং প্রসিদেন্টশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা সী এ য়ু ইম্ফালগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. অনুপম মিশ্রাগী লমজিং মখাদা পায়খৎলক্লিবা অনৌবা থবক থৌরমশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরগী লৌমীশিংগীদমক টেক্নোলোজি চাউখৎহনগদবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১০গী তোঙান-তোঙানবা ব্লোক ২৫দা বাইওব্লোক ২৫সু য়েন্থোকখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুগী মায়কৈদগীসু লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক্কী চীংগী রিজন অসিদা এগ্রিকলচর খুন্মাং চাউশিনহন্নবগীদমক ওর্গানিক ফার্মিং অমসুং কম্যুনিটি পার্টিসিপেসন তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

সী এ য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. অনুপম মিশ্রানা ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিগী ৱাহৌদোক ফোঙদোল্লদুনা নোর্থ ইষ্ট হিল রিজনগী খুঙ্গংগী লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহারোলশিংগীদমক ক্রোপ দ্রাইভর্সিফিকেসন, ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টম অমসুং ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপকী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা লৌমী ২০০না হকথেংননা শরুক য়াখি। অদুগা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৭কী দিষ্ট্রিক্ট ৮১গী মনুংদগী লৌমী ১০,২৫৭না ভর্চ্যুএল মোদতা শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট তরেৎকী লৌমী ৫,২২২দা ইনপ্যুটশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা লৌমীশিং অসিগী মনুংদগী লৌমী ৩,০২১দি কে ভি কেশিং য়াওনা মশক খঙদোল্লবা লোকেসন ১২গী লৌমী ৩,০২১নি হায়রি। ঙসিগী থৌরম অদু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীবা কোভিদ-১৯গী এস ও পি অমসুং মথৌ তাবা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, সী এ য়ুগী দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন, লম্ফেলপাৎ (ইম্ফাল)গী মীৎয়েং মখাদা থৌবালদসু কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্রনা তম্ফা ফৌ, চুজাক, নুঙ হৱাই অমদি স্প্রেয়রনচিংবা টেক্নোলোজিকেল ইনপ্যুটশিং থৌবাল অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী খনগৎলবা লৌমী ১২৫দা পীনবগীদমক লৌমীশিং অমদি ফার্মরস ক্লবকী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখি।

লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা কে ভি কে থৌবালগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা মৰূ-মরাংশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা কে ভি কে অসিগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট অমসুং হেদ ডা. জেম্মারানি সরাংথেম, এস এম এস এগ্রোনোমি এন তোম্বা, ফার্ম মেনেজর ডা. দল্লিয়ু জিতেন অমদি প্রোগ্রাম এসিষ্টেন্ট এগ্রিকলচরেল এক্সটেন্সন এস প্রবিননচিংবনা শরুক য়াখি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী ৱারবা মতম অসিদা কে ভি কেনা শীনবীদুনা মৰূ-মরাংশিং মতম চানা ফংহনবীবা অমদি মদুদগী পুথোকপা পোৎলমশিংবুসু য়োন্ননবা শীনবগী হায়বীবা অসিগীদমকসু কে ভি কে অমদি সী এ য়ুবু ৱাই মেঘা কৌবা লৌমী অমনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## অঙাংশিংদদি থোইদোক্না শোক্লিংঙাই...

*লামায় ১গী মখা...* লোয়ননা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জুন ২১ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট পুম্বদা কোভিদ ভেক্সিন ফ্রিদা পীরকপদগীদি লৈবাক অসিদা কোভিদ পাকশন্না শন্দোরকপা অমদি লাইচৎ অসিনা শিবগী মশিং হন্থরক্তুনা শোয়দনা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লগনি হায়বগী অচৌবা থাজবসু লৈ হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌজিক লৈবাক অসিদা থা খুদিংগী ক্রোর ১২গী মথক্তা ভেক্সিন পুথোক্লি। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী ওইনদি কোভিদ ভেক্সিনগী মতাংদা করিমত্তা অৱাৎপা অমদি অৱাবা লৈররোই হায়রি। মণিপুরদসু কোভিদ পোজিটিভ ওইবা অমদি শিবগী চাং তপ্পা-তপ্পা হন্থরকপগী অচৌবা মমি অমা তাবা উরে। মসিমক ষ্টেট অসিগী ওইনা য়াম্না অফবা খুদম অমনি অদুবু লাইচৎ অসিদগী মীপুম খুদিংনা লাইথোক্লা লৌবদি য়াখিরোই। লাইচৎ অসিনা মপুং ফানা হেক ফত্রিবা ফাওবদি তঙাইফদনা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র অমদি লৈঙাক্লা শেল্লিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎপা মথৌ তারি।

## রেংপাং এম্বুশতা কম্মান্দো ১ শোক্লে...

*লামায় ১গী মখা...*অদু তম্না কাপ্লকখিবনি। মদুগী মতুংদা ওটোমেটিক নোংমৈ শীজিন্নদুনা অমুক্তসু কাপশিল্লকপদগী কম্মান্দো পর্সনেলশিংগী মায়কৈদগীসু হন্দুনা মিনিট ২০ লোম নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি হায়রি।

থৌদোক্তুগী পাউফংবগা মফম অদুদা অহেনবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং থোমজিন্দুনা থি-হুন্দগী থবক চত্থখি। অদুম ওইনমক মীফা মীপুনগী পাউদি লৈখিদে।

অমরোমদা, মমাঙ থাগী ২৬কী নুমীদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী অৱাংথংবদা লৈবা ১৬শুবা অসাম রাইফলসকী গেট ময়াদা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমসু কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারে হায়রি। মহাক ঙরাং নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ১৫শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিম অমনা লিলোং অরাপতিগী লম্বীগী মফম অমদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা ফাবনি হায়রি। মহাক্কী মমিং খুল্লাকপম মুবিনুর এলিয়স রহমন (১৯), অপোকপা মুজিবুর রহমন কৌই। লিলোং লিতান মখোঙদগীনি হায়রি। মঙোন্দগী চাইনানা শাবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমসুং দিটোনেটর অমা রিকোভর তৌরে হায়রি। মহাক কুমজা ২০১৯দা প্রিপাক (প্রো)দা য়াওখিবনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা পার্টিগী মীওই অমনা পীরকখিবা গ্রেনেদ অনীগী মনুংদা অমদি থা অসিগী ২৬তা পোকখায়হনখিবদুনি হায়না ফোঙদোকই হায়রি।

## বিষ্ণুপুরদা লৈবা য়োংশিং চানিংঙাই লৈরক্তবদগী...

*লামায় ১গী মখা...* থকপা ফংদদুনা মবুক লাম্বগী থৌদোকশিং থোকখিদে। উহৈ-ৱাহৈ অমুনবশিং চাদুনা হিংলকখিবনি। অদুবু সী আই কোলেজ লিংখৎলকখিবদগী হৌরম্বা অচৌবা উ পাম্বী খরসু য়াম্থৎখিবগা লোয়ননা উশিং অদুনা য়োংশিংদা পীরম্বা উহৈশিং পীবা লেপখি। অমরোমদনা মফম অসিদা লৈরিবা য়োংশিং অসি হৈখা, হৈক্রু, চোর্ফোন অমদি মালহৈনচিংবা অশিনবা হৈ-ৱাশিংদি পাম্না চাদে। মখোয়না য়াম্না পাম্না চারিবশিংগী মনুংদা অমুনবা লফোই, হৈনৌ, অৱাথবী অমদি পুংদোননচিংবনি। হায়রিবা মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবা উহৈ-ৱাহৈশিং অসি চাদুনা লৈরকপগী মথক্তা য়োংশিং অসিগীদমক মচিঞ্জাক হেক হেক থাবীবা কন্মিটি অমগী মীওইশিংসু লাকই। মখোয়গী মায়কৈদগীসু অয়ুক-অয়ুক্তা লাক্তুনা মচিঞ্জাকশিং থাবীরম্মী।

অদুম ওইনমক মখোয়গী মচিঞ্জাক লৈরক্ত্রবা মতমদদি মখোয়না লৈরিবা মফম অসিগা নক্লবা লম্বীদা চৎপা মীওইশিং ফাওবদা চোংশিল্লক্তুনা মীওইশিং অদুগী কোক অমসুং খোঙদা চিক্লকপা য়াওরক্লে। মসিদগী হেন্দোরক্তুনা অকোয়বদা লৈবা য়ুমশিংগী মী লৈনদবা তাঞ্জা য়েংলগা য়ুমশিং অদুগী চাকখুমদা চঙশিল্লক্তুনা থিদোক্লগা থম্বা চাক চাথোক্লম্বা, চেফুন্দগী চেঙ হৈদোক্লগা চারম্বা অমসুং চাখায়রম্বা, রাইস কুকর য়াওনা অপীকপা চাক য়াওবা চফুশিংদি থাংদুনা পুরম্বা য়াওরে। য়োংশিং অসিনা তৌরক্লিবা মওং মতৌ অসিদগী য়ুম্লুশিংনা নুঙনা থাবদা অশোক-অপন নংবসু য়াওখ্রে হায়রকখি।

অহল অসিনা মখা তানা হায়রকখিবদা বিষ্ণুপুরগী মফম অসিদা লৈরিবা য়োংশিং অসি অদুঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবনি। য়োংশিং অসিনা হৌজিক লৈরিবা মফম অসি মতম অমদা কোনুং ওইরম্বা মফমনি হায়নসু হায়নরি। মখোয়না চাকশঙশিংদা চঙলক্তুনা চেঙ অমসুং অথোংবা চাকশিংদা টার্গেট তৌরকপদা নত্তনা য়ুমশিং অদুগী ইংখোলদা থারিবা মনা-মশিং অমদি মহৈ-মরোং কয়াসু ফোইদৎলগা চাথোরকপসু য়াওরে হায়রকখি।

য়োংশিং লৈরিবা মফম অসিগা নক্লনা লৈবা নুপী অমনা ফোঙদোরকখিবদনা য়োংশিং অসিনা লৈরিবা মফম অসিগী অকোয়বদা নীংথিজনা য়োৎকী জালিনা চেকশিন্না খাদুনা থম্বীগদবনি। অদুগা মখোয়গী মচিঞ্জাকশিং মরাং কায়না অমসুং চাং নাইনা থাবীগদবনি। হায়রিবা থবকশিং অসি লৌখৎপীরক্লগাদি মখোয়গা নক্লনা লৈরিবা মীওইশিং অসিসু খুয়া তুশিংনা লৈবা ঙমগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়বদা মফম অসিদা লৈরিবা য়োংশিং অসি য়াম্না শিংই। মখোয়না চানবনি হায়দুনা করিগুম্বা অপৎপা নৎত্রগা অপুম্বা হৈ-ৱাশিং থারুবা মতমদসু চাউ হায়বা য়াদে। মনম নম্লগা তোকই। দুকান্দগী বিস্কুইট লৈদুনা পীজবা ফাওবদা বিস্কুইটশিং অদু মখুৎনা শেংনা তৈথোক্লগা চাই। অদুগা হৌজিক্তি মখোয়গী মচিঞ্জাক মরাং কায়রক্ত্রবনিনা য়োং মচাশিংনা করিগুম্বা অচাপোৎ অমা মখোয় ময়াম পুনশিন্দুনা চারিঙৈদা করিগুম্বা য়োং অচৌবা অমা লাক্লবদি মহাক্না মচাশিং অদু তান্থোক্লগা মথক্তা চাই। খোংনাং মহৈ অমুনবসু মখোয়না অপাম্বা চীঙাকনি। মরম অদুনা য়োংশিং অসিগীদমক য়েংদুনা মখোয়না লৈরিবা মফম অসিদা অহাওবা উহৈ-ৱাহৈনচিংবা মহৈশিং পানবা উ পাম্বী খরা থাবীবা মথৌ তারি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুরদা হৌজিক লৈহৌরিবা য়োংশিং অসিদগী মহাবলিদা লৈরিবা য়োংশিং অসিনা চাউবসু হেল্লি, নোইবসু হেল্লি। মসিগী মরম্না মহাবলিগী য়োংশিং অসিদি নুমীৎ খূদিংগী মবুক থন্না চাবা ফংবদগীনি। অদুম ওইনমক মহাবলিগী ওইনসু য়োংশিং অসিগীদমক অকোয়বদা খারিবা য়োৎকী জালি নমথেক্তুনা কনাগুম্বা মীওই খরনা মনুংদা চঙশিন্দুনা মনা-মশিং থেকপা য়াওরি। মসিসু মহাবলিগী য়োংশিং অসিগীদমক য়েংবীরগা তৌহন্নিংদবগী ৱাফম মফম অসিগী মীওই খরনা ফোঙদোক্লরক্লি।

## এনিসঠেসিওলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর...

*লামায় ১গী মখা...* শাংদোকহন্দুনা দিরেক্টরগী থবক পুহল্লক্লিবা ডা. টি ভিমোনা মশাগী পীফম থোক্লবা প্রমোসন পীবীবগী মহুৎতা শুপ্নতগী ফেকল্টি মেম্বর ৩ খক্তমক খনগৎতুনা ইনষ্টিট্যুট অসিগী মেদিসিন অমসুং সর্জরি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসরশিং ওইনা প্রমোসন পীখি। অদুগা মেদিকেল ইনষ্টিট্যুট অসিগী হৌখিবা কুমজা ২০১৮দগী প্রোফেসরশিংগী পোষ্ট হাঙদুনা লৈরক্লিবা এনিসঠেসিওলোজি, ঈ এন টি, ওর্থোপেদিক্স অমসুং সাইকিয়াট্রি দিপার্টমেন্টকী ফেকল্টি মেম্বর ৪বুদি দিরেক্টর অসিনা পুথোকপা মরমশিংদগী নাথৈদুনা থল্লমখি হায়রি। মসিগী মতাংদা অইবা চেরোল কয়ারক হন্না পীশিনবগা লোয়ননা হকথেংননা উন্দুনা হায়রুবদসু মহাক্কী মায়কৈদগী চিনহায় ওইনা থাজবশিং পীরকখিবা নত্তনা মসিগী মতাংদা হায়র ওথোরিটিদা ৱাফম অমত্তা পুখৎখিদে। লোয়ননা খৎতোক্লম্লবা ফেকল্টি মরিগী ফাইলশিং অদু হৌজিকসু মহাক্কী মনাক্তা নমশিন্দুনা থল্লি হায়রি।

অমরোমদা হৌখিবা কুমজা ২০১৮দগী হৌরদুনা ইনষ্টিট্যুট অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এনিসঠেসিওলোজিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরগী পোষ্ট মরি হাঙদুনা লাক্লিবনি। মসিদগী জন্যুৱারী, ২০২০দা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অনীগা লোয়ননা রেদিওথেরাপিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরগী পোষ্টশিংগীদমক ওপন দি পি সী অমসু পাঙথোকখি। দি পি সী অদুগা মরী লৈননা দিরেক্টর অসিগী মায়কৈদগী রেদিওথেরাপিগী ওইনদি এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরশিং এপোইন্টমেন্ট পীখি। অদুবু ইনষ্টিট্যুট অসিগী এনিসঠেসিওলোজি দিপার্টমেন্টকী খ্বাইদগী মরুওইরিবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরশিং অদুবুদি এপোইন্টমেন্ট পীখিদে হায়রি।

মরমশিং অসিনা প্রোফেসর অসিগী মায়কৈদগীদি অতোপ্পা ৱাফমশিং শন্দোক্না তাক্লবা লৈত্রে হায়রদুনা মঙোন্দা দিরেক্টর অসিগী মায়কৈদগী লন্নাই নুংঙাইতবা লৈবা অমসুং প্রোফেসর অসিগী লিদরশিপ মখাদা দিপার্টমেন্ট অসিদা থওইনা তৌগে হায়বা অমা য়াওনা তৌরক্লিবা থৌওংশিং অসি খন্থরবা মতুংদা মহাকপু খুদক্তগী দিপার্টমেন্ট অসিগী হেদ ওইবদগী তোকচরগে হায়দুনা রিজিগনেসন লেট্টর অদু পীশিনখিবনি হায়রি। মসিগীদমক দিপার্টমেন্ট অসিগী প্রোফেসরগী পোষ্টতগী পোথানবগী নোটিফিকেসনসু জেনিমস সর্ভিস রুল, ২০১৫গী রুল ১৭(৪)গী মতুংইন্না পীবীনবসু হায়জখিবনি হায়রি।

পাউচে অসিনা মখা তানা ফংখিবা পাউনা হায়বদা প্রোফেসর অসিগী রিজিগনেসন লেট্টর অদু জেনিমসকী মায়কৈদগী নুমীৎতুগী আর আর নম্বর ৫১৬৪গী মখাদা ওফিসল ওইনা রিসিভ তৌখ্রে হায়রি।

ষ্টেট অসিগী অমত্তা ঙাইরবা মেদিকেল ইনষ্টিট্যুট অসিদা থোরক্লিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী প্রোফেসর খরগসু শানখিবা ৱারীদা মখোয়না হায়, হৌজিক্কী ফীভমসিদা মতিক চাবা মেদিকেল ইনষ্টিট্যুট অমা ওইবা য়ারবা জেনিমসকী মরাইবক হৌজিকসু তম্বা ঙমদ্রি। ইনষ্টিট্যুট অসিগী লৈজরিবা দিপার্টমেন্টশিংগী মশীং শুনা পোষ্ট গ্রেজ্যুএটকী কোর্সশিং হাঙদোকপা ঙমদ্রি। মতম অমদা এম সী আই হায়রম্বা অদুগা হৌজিক্লা এন এম সী হায়রবা ওথোরিটি অসিনা হঞ্জিন-হঞ্জিন ইন্সপেক্সন লাকখ্রবসু ইনষ্টিট্যুট অসিগী পেদিয়াট্রিক্স দিপার্টমেন্টতা ঙসি ফাওবা পি জি কোর্সশিং হাঙদোকপা ঙমদ্রি। হায়রিবা থৌদোকসি অতোপ্পা দিপার্টমেন্ট খরদসু থোক্লি হায়রি।

হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভকী অকনবা চৈথেং মায়োক্লরিবা ইনষ্টিট্যুট অসিগী ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংগী মনুং চন্না মথৌ পাঙথোক্লিবা ষ্টাফশিংগীদমক লৌখৎপীফম থোকপা থবকশিং লৌখৎত্রি। ইশম শম্না হায়রবদা মখোয়গী হেন্দ সেনিটাইজরশিং ফাওবা মতিক চানা পীবা ঙমদ্রি। জেনিমস হেল্থ ক্যের ৱার্করস ৱেলফ্যের কন্মিটিগী ফন্দ ইনষ্টিট্যুট অসিগী ডোক্তর অনীনা লুপা লিশিং ১০/১০ পুথোক্তুনা দোনেট তৌরকখিবগী মথক্তা ইনষ্টিট্যুট অসিগী টিচরস এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী অৰেবা শেনফম পুথোক্তুনা হেল্থ ৱারিয়রশিংগী ৱেলফ্যেরগী থবক পাঙথোক্লি। নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা কোভিদ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদ্রবা ডোক্তর অমগী ইমুং-মনুংদসু ঙসি ফাওবদা জেনিমসকী মায়কৈদগী করি করম্বা তেংবাঙ পীখ্রবগে হায়বা ৱাহংশিংসু হংনরকখি।

লোয়ননা পাউচে অসিগা ৱারী শানখিবা প্রোফেসর খরগী মনুংদগী অমনদি হৌজিক লৈরিবা এদমিনিষ্ট্রেসন সিষ্টমদা ফেল ওইবগী ফীভম অসিনা অসুম শাংথনা লৈগদবা ওইরগদি মহাকসু প্রোফেসর এস থোইবহেনবগী মতুংইন্দুনা ইনষ্টিট্যুট অসিগী মহাক্না পুরক্লিবা ফমদগী তোক্কনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## পোজিটিভ কেস মশীং ৭৭৫...

*লামায় ১গী মখা...* ফগৎলকখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৪৭,১২৯নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী মীওই ৪৩,৩৬৮ নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৩,৭৬১ নি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী লৈরিবা এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ঙসি ফাওবদা ৯,৩০৭ শুরে। মসিগী মনুংদা সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা শুপ্নতগী ১ খক্তনি। অদুগা লেমহৌরিবশিংনা মণিপুরগী জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিংনি। লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা চাদা ৮২.১৭নি হায়রি।

চৈরক অসিদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি-টাইপকী ১৪০১ অমসুং বি-টাইপকী ৫৫২নি হায়রি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হেল্থ ইনষ্টিট্যুসনশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি-টাইপকী ৪০৩ অমসুং বি-টাইপকী ৮৭ নি। মসিগী মনুংদা বিষ্ণুপুরদা দি-টাইপ ৭৬, বি-টাইপ ৭, চান্দেলদা দি-টাইপ ৩২, বি-টাইপ ৭, চুড়াচান্দপুরদা দি-টাইপ ৮২, থৌবালদা দি-টাইপ ৬৩, বি-টাইপ ২২, সেনাপতিদা দি-টাইপ ৩২, উখ্রুলদা দি-টাইপ ১৯, বি-টাইপ ৪, তমেংলোংদা দি-টাইপ ২২, বি-টাইপ ৫, জিরিবামদা দি-টাইপ ৩৬, বি-টাইপ ৫, মোরেদা দি-টাইপ ২৬, বি-টাইপ ৫, কামজোংদা দি-টাইপ ৩, বি-টাইপ ১, কাংপোকপীদা দি-টাইপ ৫, ককচিংদা দি-টাইপ ৯, বি-টাইপ ২৪, নোনেদা দি-টাইপ ২ অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতনা দি-টাইপকী সিলিন্দর ৬ অমসুং বি-টাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ২গী খুদোংচাবা ফংহনখি হায়রি। মসিগা ঈরোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা মণিপুরগী অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ৪,৪১,৭৪৫ শুরে হায়রি।

ꯃꯥꯡꯈꯤ / PASSBOOK & ATM CARD LOST

I have lost my Bank Passbook & ATM Card bearing A/c - 30780891628 of SBI, Porompat Branch on the way between Nambol Bazar and Lairenjam Sabal Leikai on 01/06/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Khundrakpam Sobasini**
Nambol

HL-P/9916/10

ꯂꯧ ꯌꯣꯡꯉꯔꯤ / লৌ য়োঙ্গরি

তাবুংখোকতগী য়ুরেম্বম তাবা, রেলৱে ষ্টেসন তাবা লম্বী মনাক্তা লৈবা .69 চাওবা লৌফম অমা অথুবগী ওইনা য়োঙ্গরি। কনাগুম্বনা পাম্বীরবদি মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা ফোন তৌবীদুনা অকুপ্পা ৱারোল খঙবীবা য়াগনি।

HL-P/9915/10,11,12 **# 8171515683**

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্তৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6